
# থাউগী মমল হন্থহনবা ঙমদ্রবদি লৈবাক শিনবা থুংনা খোঙজং চত্থগনি হায়না রাহুল গান্ধীনা ৱার্নিং তৌখ্রে





***ন্যু দিল্লি, মে ২৪ ঃ***

লৈবাক অসিদা পেত্রোল অমসুং দিজলগী মমল নুমিৎ ১১ নিদা তরামাথোইরক হন্না মমল হেনগৎলক্তুনা অতিয়া পাক্লা থাউগী মমল হেনগৎলিবসি হন্থহনবা ঙমদ্রবদি লৈবাক শিনবা থুংনা খোঙজং অমা চত্থরগনি হায়না কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

দিল্লি, কলিকটা, মুম্বাই অমসুং চেনাইদা ঙসি পেত্রোল অমসুং দিজলগী মমল লিটর অমদা পৈশা ১৯ দগী ৩১ ফাওবগী চাংদা হেনগৎলকখি। হৌজিক লৈবাক অসিগী কোনুংদা পেত্রোল লিটর অমদা লুপা ৭৭.৪৭ অমসুং দিজল লিটর অমদা লুপা ৬৮.৫৩ দা য়োল্লি। মে ১৪ গী মতূংদগী পেত্রোল অমসুং দিজলগী মমল লিটর অমদা মথংশিংনা লুপা ২.৮৪ অমসুং লুপা ২.৬০ হেনগৎলকখি। সাউদি অরাবিয়ানা কোমোদিটি অসিগী মমল দোল্লর ৮০ (লুপা ৫,৪৬৮) য়ৌনা ৱাংখৎলকখি। অসুম্না গ্লেবেলগী ওইনা ক্রুদ ওইল মমল হৌজিক হেনগৎলকখিবদগী ইন্দিয়াদসু থাউগী মমল অসি হেনগৎলকখিবনি। মসিগী মথক্তা ষ্টেট অমসুং সেন্টর গভর্ণমেন্টশিংনা কোমোদিটি অসিদা টেক্স চাউনা লৌরি। লৌরিবা টেক্সকী চাং অসিনা রিটেলদা য়োনবগী মমল চাদা ৪০-৫০ রোম ওইরি।

থাউগী মমল ৱাংখৎলক্লিবা অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা চাউনা শোকহল্লিবা অসি কোকহন্নবা হোৎনবদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদি অচৌবা অরুবা অমা মায়োক্লরি। হৌজিক গভর্ণমেন্টনা থাউগী মমল হেনগৎলক্লিবা অসি লাকশিন্নবা সোর্ট টার্ম অমসুং লোং টার্মগী ওইবা পান্থে অনীমক থিনবা খন্নরি হায়না ঙসি ওইল মিনিষ্টর ধর্মেন্দ্র প্রধান্না ফোঙদোকখ্রে।

থাউগী মমল অঙকপা ফংনা হেনগৎলকখিবা অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়োক্তা লৈবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা অকনবা ক্রিটিসিজম কয়া তৌরকখ্রে।

ফিটনেস কেম্পেন অমগী মতাংদা বিরাট কোহলিনা শীংনরকখিবা অমা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়াখিবা অদুদা ওপোজিসন কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগসু থাউগী মমল হেনগৎলকপগী মতাংদা মোদি গভর্ণমেন্টকী মথক্তা শীংনবা অমা থাঙ্গৎলকখ্রে। করিগুম্বা থাউগী মমলশিং অসি হন্থহনবা ঙমদ্রবদি কংগ্রেস পার্টিনা লৈবাক শিনবা থুংবা খোঙজং অমা চত্থগনি হায়না পার্টিসিগী প্রসিদেন্ট অসিনা প্রাইম মিনিষ্টরদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

বিরাট কোহলিগী ফিটনেস চেলেঞ্চ অদু নহাক্লা য়াখিবা অদু নুংঙাই। হৌজিক ঐঙোন্দগীসু অদুগুম্বা শীংনবা অমা লৈরে। থাউগী মমল হন্থহল্লু নৎত্রগা কংগ্রেসনা লৈবাক শিনবা থুংবা খোঙজং অমা চত্থগনি অমসুং নহাকপু মদু নমদুনা তৌহনগনি। নঙোন্দগী পাউখুম ফংগনি হায়না অশা তৌই হায়না রাহুল গান্ধীনা ট্যুটরদা হায়খি।

মরকসিদা মহারাষ্ট্র চীফ মিনিষ্টর দিবেন্দ্র ফদনাবিসনা পেত্রোল অমসুং দিজলগী মমলশিং অসি গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) গী মখাদা পুরকপদা য়ান্নবা অমা সেন্টরনা হেক পুরকপা ঙম্বদা মমল হন্থহনবা ঙমগনি হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

পেত্রোল অমদি দিজলগী মমলশিং অসি ইন্টনেস্নেলগী ক্রুদ ওইলগী মমলশিংগী মখা পোল্লি হায়না মহাক্লা হায়খি।

# ইমুং অমখক্তদগী মরিশুবা মীওই অমসু নিপাহ ভাইরসতগী লৈখিদ্রে

***থিরুভনন্থপুরম, মে ২৪ ঃ***



কেরলাদা ইমুং অমখক্তদগী মরিশুবা মীওই অমসু নিপাহ ভাইরসতগী লৈখিদ্রে হায়না ঙসি ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবা মীওই অসিগী য়ূমসি লায়না অসিগী হৌরকফম ময়োল অদুনি হায়না থাজরিবা কোজিকোদতা লৈবা খুঙ্গং অমদা লৈবনি। হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা নাবদগী শিখিবা মীওই ১২ শুরে।

মচানুপা অনী অমসুং মনাওনুপী অমা হৌখিবা চয়োলদা লায়না অসিনা নাদুনা শিখিবা কোজিকোদ হোস্পিটাল অদুমক্তদা ঙসি ভি মুসা হায়রিবা মী অসি লৈখিদবনি। মহাক চয়োল অমরোম ভেন্টিলেটর সপ্পোর্ট পীদুনা থল্লকখিবনি অমসুং ঙসি অয়ূক শিখিবনি হায়না কেরলা হেল্থ মিসন অমনা হায়। নিপাহ ভাইরস নাবা অনাবা অনী অমসু চপ চানা খঙলে। মখোয়বু হোস্পিটাল অমদা লায়েংলি। মখোয় মিষ্টর মুসাগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা শম্নরুব্রা নৎত্রগা অতৈ মফম অমদগী লায়না অসি লৌনরকপ্রা হায়বদু শেংনা খঙদ্রি।

হৌজিক য়ামদ্রবদা অনাবা লাইহৌ মানবা লাইওংশিং অমসুং ব্রেন দেমেজ থোকহনবা নিপাহ ভাইরস অসি সেকপিশিং অসিনা শন্দোকপা ভাইরস মখল অমনি। হৌজিক ফাওবদা ভাইরস অসিগীদমক ভেক্সিন লৈত্রি। মরু ওইবা লায়েং হায়ববু অনাবশিংবু চেকশিন্না শেন্নবিবনি হায়না ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (ঐচ দব্লিউ ও) না হায়রি।

গ্লোবেল ইপিদেমিক অমা থোকহল্লকপা য়াবা মরু ওইবা লায়না নিপানগী মনুংদা ইবোলা অমসুং জিকাগুম্বগা লোয়ননা নিপাহ ভাইরসসু অমনি হায়রি।

লায়না অসিগী মতাংদা কেরলাদা হায়-এলার্ট লাওথোকখ্রে অমসুং কোজিকোদতা কন্ট্রোল রুম অনী হাংদোকখ্রে। ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসনবু তেংবাংনবা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা সেন্ত্রেল টিম অমসু থারকখ্রে।

১৭ লায়েংদুনা থল্লি। ভাইরস অসি শন্দোরকপা থিংনবা লৌখৎপা য়াবা খোঙথাং পূম্নমক লৌখৎলে হায়রদুনা কেরলা হেল্থ মিনিষ্টর কে কে সৈরেজানা ফোঙদোক্লদুনা উহৈ চাবা সেকপিশিং লৈবা মফমশিং থুগাইদুনা মাঙ তাকহন্নবসু মীয়ামদা অপিল তৌখি।

# নোর্থ কোরিয়ানা মখোয়গী ন্যুক্লিয়ার টেষ্ট সাইট থুগায়খ্রে

***পিওংয়াং, মে ২৪ ঃ***



য়ুনাইটেদ ষ্টেটকা অফবা দিপ্লোমেটিক্কী লম্বী অমদা চৎপা পাম্বগী অনীংবা হৌজিকসু লৈ হায়বগী মওং অমদা ঙসি শগোলশেন নুমিৎকী নুমিৎ য়ুংবা মতুংদা নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাকসিগী ন্যুক্লিয়ার টেষ্টিং সাইট থুগাইরে হায়না লাওথোকখ্রে।

পুংগয়ে-রি ন্যুক্লিয়ার টেষ্টিং সাইট অদুদা পুশিন্দুনা লৈহনখিবা ফোরেন জর্নেলিষ্টশিং অদুনসু মফম অদুদা মখোয়না য়াম্না অচৌবা পোকখাইবা অমগী শত্তম উরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক্তা লৈবা চীংগী লমদম অদুদা লৈরিবা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং তৌফম অদু মচেৎ তানা শীদোক্তুনা থুগায়খ্রে হায়না জর্নেলিষ্টশিং অদুদা নোর্থ কোরিয়ান ওফিসারশিংনা হায়খি।

রসিয়া, চিনা, সাউথ কোরিয়া, বৃটেন অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটতগী জর্নেলিষ্টশিং অদুনা মিটর ৫০০ রোম লাপ্পা মফমদগী পোকখাইবগী থৌওং অদু য়েংখি হায়না রিপোর্ট তৌরকখি। বৃটিশ ব্রোদকাষ্টর স্কাই ন্যুজগী তোম সেসাইয়ারনা হায়খি, মখোয়না থ্রি, টু, ৱান হায়না মশীং থিরবা মতূংদা য়াম্না চাউনা পোকখাইবগী থৌদোক থোকখি। মদু নখোয়দসু ফাওবা ঙম্নমগনি। উফুল পাইশিল্লমগনি। মৈশা লাক্লমগনি। মখোল অদু য়াম্না শাথিনা হৌই।

এসোসিয়েটেদ প্রেস, রসিয়া টুদে অমসুং চাইনাগী জিনহুৱানসু নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই চাংয়েংফম অদু থিংজিনবগী পাউদম পীরকখি।

নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ার সাইট অদু থুগাইবগী থৌদোক অদু উহন্নবা জর্নেলিষ্টশিং অদু মফম অদুদা পুখি অদুবু মদুদা এক্সপার্টশিং অমত্তা য়াওবা য়াহনখিদে। মদুনা মরম ওইদুনা মখোয়না করি তৌখিবগে হায়বা চপ চাবা অদু খঙবদা লুরি।

সাউথ কোরিয়ান প্রিন্ট রিপোর্টর মরিখক নত্তনা মফম অদুদা চৎলিবা জর্নেলিষ্ট ৩০ রোম অদু টেলিভিজন আওটলেটশিংদগীনি মখোয় ঙরাং অহিং মফম অদুদা পুখিবনি। ঙরাং নুংথিল পুং ৬ রোম তাবদা নোর্থ কোরিয়াগী নোংপোক সমুদ্র তোৱর্বান্দা লৈবা ৱোনসান্দগী খোঙশানখি।

খোঙচৎ অদু মাইল ৩০০ রোম শাংগনি। পূং ১২ ত্রেন তোংলগা বসতা পূং ৪ তোংই। অদুগী মতুংদা চীংগী লমদম ফাওদুনা পূং ১ নৎত্রগা ২ রোম খোঙনা অমুক চৎলি হায়না পাউমীশিং অদুনা ফোঙদোক্লি। মখোয় ইরাই নুমিত্তা হল্লক্লবা য়াই।

ন্যুক্লিয়ার টেষ্ট সাইট অসি পুংগয়ে-রি খুন্দগী অৱাংদা মাইল ১০ রোম লাপ্পী অমসুং চীংদোলশিংগী মখাদা টনেল ময়াম অমা লৈ। মদু পোর্টেল মরিগী খূত্থাংদা মনুংদা চৎপা য়াই। নোংপোক থংবা পোর্টেল অদু ষ্টেট অদুদা ২০০৬ তা নোর্থ কোরিয়ানা মখোয়গী অহানবা ন্যুক্লিয়ার টেষ্ট পাঙথোকখি। মদুগী মতুংদা চহী ১০ রোম হেনবসি শীজিন্নখিদ্রে অমসুং মখা তানা লম্বীনা চৎপদা চঙবা ঙমদ্রে। মখা তাবা ন্যুক্লিয়ার টেষ্ট মঙা অৱাং থংবা পোর্টেলদা পাঙথোকখি। সেপ্টেম্বরদা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী কোনবা টেষ্ট অদু হাইড্রোজেন বোম অমা ওইরমগনি খন্নরি। চাংয়েং অদুদা মফম অদু মেগ্নিচুট ৬.৩ গী য়ুহার হাবগুম নিকখি অমসুং কিলোতোন ২৫০ হেনবগী ইনর্জি থোকখি। ১৯৪৫ দা জপানগী হিরোসিমাদা থাদখিবা অমেরিকাগী ন্যুক্লিয়ার বোম অদুনা শুপ্নগী কিলোতোন ১৫ গী ইনর্জি থোকখি।

# চাইনানা পাকিস্তানগা করেন্সি স্বাপ দিল তৌনখ্রে

***বৈজিং, মে ২৪ ঃ***

পাকিস্তানগী ফোরেন করেন্সিগী অরুবা ৱাথোক অমা মায়োক্লরিবসিদগী কোকহনবদা মতেং পাঙনবা বৈজিংনা ইস্লামাবাদতা দোল্লর বিলিয়ন অমগী লোন পীখ্রে হায়বা পাউশিংগীমরক্তা চাইনানা ঙসি করেন্সি স্বাপ এগ্রিমেন্ট অমা পাকিস্তানগা তৌনখ্রে।

পিপলস বেঙ্ক ওফ চিনা হায়বা লৈবাকসিগী সেন্ত্রেল বেঙ্ক অসিনা ঙসি ফোঙদোকপদা বেঙ্ক অসিনা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ পাকিস্তানগা করেন্সি স্বাপ এগ্রিমেন্ট অমা এক্সটেন্দ তৌনরে হায়খি।

এগ্রিমেন্ট এক্সটেন্দ তৌবা অদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা ললোন ঈতিক খুদোং চাহল্লগনি। লৈবাক অনীগী ইকোনোমিক দিভলপমেন্টতা তেংবাঙ অমদি ইনভেষ্টমেন্টসু হেনগৎহল্লগনি হায়না নাকল অনীনা থাজবা থল্লি। চহী অহুমগী ওইবা এগ্রিমেন্ট অসি য়ানবগী মখা পোন্না মতম শাংদোকপা য়াই।

করেন্সি স্বাপ দিল হায়বা অসিনা নাকল অনীগী মরক্তা তৌনবা ললোন ঈতিক্কী শেন পীথোক-পিশিন্দা মান্নবা শেনফমগীদমক করেন্সি অমদা পীবা য়াহল্লে। অমসুং ফাইনান্সিয়েল মার্কেটশিংদা লিক্যুদিটিদা সপ্পোর্ট পী।

দ ফাইনান্সিয়েল টাইমসকা উন্নবা অমদা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ পাকিস্তানগী গভর্ণর তরিক বজৱানা এপ্রিল থাদা বৈজিংনা শৌগৎপা বেঙ্কশিংনা অনেম্বা শেন্দোইদা লোনশিং পীরকখি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

## মেঘালয়াদা খূৎশু-খূৎলাইশিং ফারে

***টুরা, মে ২৪ ঃ***

মেঘালয়াগী ইষ্ট গারো হিলস দিষ্ট্রিক্টতা পুলিসনা ঙরাং খূৎশু-খূৎলাই অমসুং নোংমৈ মরুনচিংবা পোৎলম কয়া ফারে হায়না সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অমনা হায়রি।

অসুম্না ফাবসি থা অনীগী মনুংদা ৭ লক শুবনি। মফমদুগী খুঞ্জাশিংনা মতেং পাঙবদগী খূৎলাইশিং অদু ফাবা ঙমখিবনি। খূৎলাইশিং অদুদি লাইট মেছিনগন অমা, এ কে রাইফলস অনী, রোকেট অনী, পিষ্টোল নিপাল, ঐচ এন্দ কে রাইফল অমা, রিমোট কন্ট্রোল অমা, এ কে রাইফল মরু ৩০, ইলেক্ট্রিক্ট দিটোনেটর ৬৬ নি হায়রি।

## এম ঐচ ১৭ কায়খিবদু রসিয়াগী মিসাইলনা কাপথখিবনি ঃ ইনভেষ্টিগেটরস

***য়ুট্রেচ, মে ২৪ ঃ***

কনফ্লিক্লা চাকহল্লবা নোংপোক য়ুক্রেনগী নোংথক্তগী ২০১৪ গী জুলাই ১৭ তা এম ঐচ ১৭ হায়বা মালেসিয়ান এয়ারলাইন্স ফ্লাইট কাপথখিবা অদু রসিয়ান মিলিটরি ব্রিগেদ অমদগী কাপ্লকপা মিসাইলননি হায়না থৌদোক অদুদা থিজিল্লিবা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

এম ঐচ ১৭ কাপথখিবা অদুবু রসিয়াগী কুরস্কদা লৈবা ৫৩ শুবা এন্টি-এয়ারক্রাফ্ট মিসাইল ব্রিগেদতগী কাপ্লকপা বি য়ু কে - টি ই এল এ আরননি হায়বসি জোইন্ট ইনভেষ্টিগেসন তিমনা লেপ্লে হায়না মকোক থোংবা দটচ ইনভেষ্টিগেটর ৱিলবর্ট পাওলিসেলনা হায়রি।

মালেসিয়ান এয়ারলাইন্স ফ্লাইট অদু অমষ্টরদামদগী কুৱালালাম্পুর তম্না পাইরকখিবনি। অদুবু জুলাই ১৭ কী ক্রাস অদুদা প্লেন অদুদা তোংলকখিবা দটচকী মীওইনা অয়াম্বা ওইবা ক্রু মেম্বরশিং অমসুং পেসেঞ্জর ২৯৮ পুলপ শিখিবনি। অদুবু অষ্ট্রেলিয়ানশিং, বৃতোনশিং, মালেসিয়ানশিং অমসুং ইন্দোনেসিয়ানশিং য়াওনা প্লেন অদুনা অতৈ মীওই ১৭ সু তোংলকখি। মোস্কোনা শৌগৎপা রিবেলশিংনা খুদুম চনবা য়ুক্রেনগী টেরিতোরিদগী মিসাইল অদু কাপ্লকখিবনি হায়না ইনভেষ্টিগেটরশিংনা হান্না হায়খ্রবনি। অদুবু মিসাইল অদু তশেংনমক কনানা কাপখিবনো হায়বদু মখোয়না চপ চানা ফোঙদোকখিদবনি

# শেঞ্জা-থুমজা তৌরম্বদগী ফাখিবা ওফিসিয়েল অমা হোম মিনিষ্ট্রিনা সস্পেন্দ তৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মে ২৪ ঃ***

পাকিস্তানগী ইমিগ্রেন্টশিংদা লোং-টার্ম ভিসা পীনবগী শেঞ্জা-থুমজা তৌরম্বগীদমক ফাখিবা হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েল অমা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়না ঙসি ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

পাকিষ্টান ইমিগ্রেন্টশিংবু ইন্দিয়া সিটিজনসিপ ওইহন্নবা নৎত্রগা লোং-টার্ম ভিসাশিং মতম শাংদোকহন্নবগী মতাংদা পন্দুনা লৈরিবা কেসশিংদা করি করি অরোনবা লৈবগে হায়বদু পুথোক্লবা অমসুং থবক পূম্নমক অসি করম তৌনা ফগৎহনগদগে হায়না পুথোক্লবা মিনিষ্ট্রি অসিনা ইনক্কারি অমসু চত্থরি।

হৌখিবা চয়োলদা রাজস্থান এন্টি-করপসন ব্যুরোনা অতোপ্পা মীওই অহুমগা লোয়ননা ফাখিবা হোম মিনিষ্ট্রিগী ফোরেন্নর দিভিজনগী সেনিয়ার সেক্রেটরীয়েট এসিষ্টেন্ট অমা ওইরিবা পি কে মিস্রবু থবক্তগী সস্পেন্দ তৌদুনা থল্লে। গভর্ণমেন্ট রুলসকী মতূং ইন্না করিগুম্বা মরাল অমগীদমক ফারবা অমসুং পূং ৪৮ দগী হেন্না পুলিস কষ্টদিদা লৈবা ওফিসিয়েল অমবু সার্ভিসতগী সস্পেন্দ তৌই।

পাকিস্তানগী ইমিগ্রেন্টশিংদা ইন্দিয়া সিটিজনসিপ পীনবগী মতাংদা নৎত্রগা লোং-টার্ম ভিসা মতম শাংদোকহন্নবগী মতাংদা ৱারেপ লৌবদা মতম থেংথহন্দুনা শেঞ্জা-থুমজা তৌনবা দিমান্দ তৌই অমসুং শেঞ্জা-থুমজাশিং তৌই হায়বগীদমক পি কে মিস্রবু মরাল শীখিবনি হায়না অতোপ্পা ওফিসিয়েল অমনা হায়রি।

অতোপ্পা ফারবা মীওই অহুম অদুদি অশোক, গোবিন্দ অমসুং ভগৱান রাম নি। মখোয় লোয়নমক পাকিষ্টানি ইমিগ্রেন্টশিংনি।

## অমাংথোঙদা লোৎলম্বা সনা কে জি ১ ফারে

***ন্যু দিল্লি, মে ২৪ ঃ***

মশাগী অমাংথোঙদা লোত্তুনা সনা কে জি ১ লৈবাক অসিদা লোন্না পুশিন্নবা হোৎনরম্বগীদমক কষ্টমস ওফিসারশিংনা মীওই অমা দিল্লি এয়ারপোর্টতা ফাখ্রে।

মহাক বেঙ্কোকতগী হল্লকখিবনি। কষ্টমস দিপার্টমেন্টনা ঙসি থোকখিবা চেরোলদা পেসেঞ্জর অদুগী মশা অমসুং বেগেজ কূপ্না চেক তৌবদা লুপা লাক্ষ ৩১.০৪ গী ওইগদবা সনা গ্রাম ৯৯৮ মহাক্কী অমাংথোঙদা লোৎলম্বনি হায়খি।

# ক্রোর ২৮ গী জি এস টি মীনম্বগীদমক মপা-মচা ফারে

***ন্যু দিল্লি, মে ২৪ ঃ***

অনৌবা ইন্দাইরেক্ট টেক্স রেজিমগী মখাদা লৈবাক অসিগী কোনুংদা অহানবা ফাবা ওইনা লুপা ক্রোর ২৮ গী টেক্স মীনম্লম্বগীদমক জি এস টি ওফিসারশিংনা মপা-মচা ফাগৎখ্রে।

সহদরাদা লৈবা মীওই অনী অসি শেমজিন-শাজিনবা ইভোইসশিং পীরম্বগীদমক মে ২২ দা ফাখিবনি। মখোয়বু সেন্ত্রেল টেক্স, জি এস টি দিল্লি, ইষ্ট কম্মিসনোরেটনা ফাখিবনি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রি।

কোপ্পর ইন্দষ্ট্রিগা মরী লৈনবদা লুপা ক্রোর ২৮ ওইগদবা টেক্স মীনম্নবা মখোয়না ইনপুট টেক্স ক্রেদিট ইনভোইস পীরম্বনি হায়না মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা থি-হুম্বগী থবক চত্থখ্রে। মদুদা চিংননিংঙাই ওইবা চে-চাং অমসুং খুদম-চাংদম কয়ামরুম ফংখি। ইনভেষ্টিগেসন চত্থবদা মীওই অনী অদু চেন্নে হায়বা খঙলে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়রি।

মখোয়বু সি জি এস টি এক্টকী সেক্সন ৬৯(১) গী মখাদা ফাখিবনি অমসুং নুমিৎ ১৪ নি জুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে। এক্ট অসিগী সেক্সন ১৩২ গী মতূং ইন্না পোৎ পীদনা ইনভোইস নৎত্রগা বিল অমা পীবা অমসুং ইনপুট টেক্স ক্রেদিটপু লান্না শীজিন্নবা অসি করিগুম্বা মদু লুপা ক্রোর অহুমগী মথক্তা ওইরবদি নন-বেলেবল ওফেন্স অমনি।

হৌজিক মখা তানা থিজিনবগী থবক চত্থরি অমসুং টেক্স মীনম্নবগী চাং অসি মসিদগীসু হেল্লম্বা য়ারি। থিজিনবগী থবক অসি মখা চত্থরকপদা অতৈ শাজিন্নবা ফার্ম কয়ামরুম লৈরম্বা য়াবগী ওইথোক্লিংঙাই লৈ হায়না ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তারি।

# এয়ার ফোর্স চোপ্পরশিংনা কাত্রাদা মৈ চাকপা মুত্থৎখ্রে

***কাত্রা, মে ২৪ ঃ***

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী কাত্রা দিষ্ট্রিক্টকী ত্রিকুতা হিলসতা মৈ চাক্লকখিবা অদু ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী চোপ্পরশিংনা মুত্থৎপা ঙমখ্রে অমসুং মৈ চাকপা অদুনা মরম ওইদুনা বাইস্নো দেবী লাই খুরুম্বা লাকপা মীয়াম পন্দুনা লৈরম্বা অদু ঙসি মখা তানা চৎপা হৌখ্রে।

ঙরাং য়ূমশকৈশগী নুমিদাংৱাইরমদা মৈ চাকপা অদু হৌরকখিবনি। মদুগী মতুংদা বাইস্নো দেবী লাই খুরুম্বা লাকপশিংগীদমক অনৌবা বেত্তরি কার ট্রেক অদু থেংজিনখিবনি। মৈ চাকপদা মুত্থৎনবা ফাইয়ার ইঞ্জিনশিংনা হোৎনখি অমসুং ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা বম্বি বক্কেটশিং য়ানবা হেলিকোপ্টরশিং শীজিন্নদুনা চাক্লিবা মৈশিং অদু মুত্থৎখি। মথৌ তারকপদা শীজিন্নবা এম আই-১৭ চোপ্পর অনীসু থৌরাং তৌদুনা থমখি। চীং অদু য়েংশিন্নবা হেলিকোপ্টর অমসু থাজিনখ্রে।

বান গঙ্গা অমসুং টরাকোটে মার্গদগী হৌরকখিবা লাই খুরুম্বগী খোঙচৎ অদু চীং অদুদা মৈ চাক্লকখিবগী হেক মতূং থুনমক লেপখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী রিয়াসি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা বাইস্নো দেবীগী লাইশঙ অদুদা চৎপা হৌনবগী লম্বী শেংদোক্লবগীদমক কাত্রা বেজ কেম্পতা লাই খুরুম্বা লাকপা মীওই লীশিং কয়া পন্দুনা লৈখি। চহী খুদিংগী মী ক্রোর অনীরোম হেনবনা লাইফম অদু খুরুম্বা লাকনৈ হায়রি।


RST Resonant Tutorials

RESONANT TUTORIALS

Imparting Light to Medical Aspirants

SL/Bill (upto 12 June)

ADMISSION OPEN

Regular Course for Medical Entrance Exam

NEET(UG)-2019

Class Commence : 21st June, 2018

Last Date of Admission : 19th June, 2018

Special features:

- Free studentship for meritorious and position holders of Class X & XII.
- Separate section for purely english medium.
- Special fee concession for high scorer in NEET Exam-2018 but not get seat for Medical Course (MBBS/BDS).
- NCERT based study materials from MTG-Book Publication.
- Motivation & Interaction Programme with renowned Doctors.
- Hostel facility for Boys & Girls.

For more details, pliz contact: Resonant Office Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank

Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.


## GAS TODAY

**M M Gas**
Booking : 18/04/18
Valid : 10/04/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Porompat Gas**
Booking : 27/04/18
Valid : 05/04/18
Time : 07.30 to 10.30 a.m
New Connection Available

**Misao Gas Service**
Booking : 12/04/18
Valid : 31/03/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 17/04/18
Valid : 13/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 27/04/18
Valid : 25/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**K & K Indane Service**
Booking : 26/04/18
Sl. No. 200
Valid : 14/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 17/04/18
Sl. No. 350
Valid : 13/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Asangbi Gas, Sugnu**
Booking : 08/04/18
Valid : 04/04/18
Stk : 306
Time : 09.00 to 11.00 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 25/05/18
Valid : 23/05/18
Sl. No. 15985 to 16344
Stk : 360
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khongnang Gas, Ningthoukhong**
Booking : 26/04/18
Valid : 21/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 20/04/18
Valid : 18/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**BD Gas, Chandel**
Booking : 26/04/18
Valid : 20/04/18
Stk : 306
Time : 10.00 to 01.30 p.m

**Maibia Gas**
Booking : 16/04/18
Valid : 12/04/18
Stk : 234/19kg 48
Sl. No. 4701 to 5380
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**সনা-সুদোকু -১১৭৬ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 6 | 8 | 5 | 2 | 1 | 4 | 9 | 7 |
| 2 | 5 | 4 | 8 | 7 | 9 | 1 | 3 | 6 |
| 1 | 7 | 9 | 3 | 4 | 6 | 8 | 2 | 5 |
| 9 | 4 | 7 | 6 | 5 | 8 | 2 | 1 | 3 |
| 6 | 1 | 3 | 2 | 9 | 7 | 5 | 8 | 4 |
| 8 | 2 | 5 | 1 | 3 | 4 | 6 | 7 | 9 |
| 7 | 9 | 2 | 4 | 1 | 5 | 3 | 6 | 8 |
| 5 | 8 | 1 | 7 | 6 | 3 | 9 | 4 | 2 |
| 4 | 3 | 6 | 9 | 8 | 2 | 7 | 5 | 1 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1177**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 4 | | | 7 | | | |
| | | | 9 | | 6 | 2 | | 8 |
| 8 | | 6 | | | | | | 5 |
| | | 9 | | | | 4 | | |
| 2 | 6 | 5 | | 4 | 1 | | 7 | |
| | 3 | | | 8 | | | | |
| 6 | | | | | | | 8 | 3 |
| | | | | 7 | | | | |
| 1 | | 2 | | | | 9 | | |